# মণিপুরী থিএটরগী মতিক ময়াইবু মালেমদা শক তাকপদা শরুক য়ারকখিবী শগোলশেম ধনমঞ্জুরি

- নানি -



মণিপুরী কলচরগী ফজরবা এস্থেটিক্স কয়াবু আর্টকী শেম্পাক্তা হাপ্পুনা লমদমসিগী পোথোক ওইনা পুথোক্লগা মালেমগী মফম কয়াদা মমিং থকহনখিবা Chorus Repertory Theatre গী প্লে কয়াদা শরুক য়ারকখিবী মমিং লৈরবী আর্টিষ্ট শগোলশেম ধনমঞ্জুরি হৌখিবা জন্যুৱারী ৩০, ২০২১দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। মহাক লৈখিদবগী পাউ অসি তাবদা মীপুম খুদিংগী পুক্লিংদা নুংঙাইতবা ফাওনখি। হৌজিকসু মুন্না খল্লুরবা মতুংদা মহাক্না কল্লম্বা মফম অসিদি মতম চুপ্পগী ওইনা হাঙদুনা লৈহৌরগনি।

ধনমঞ্জুরিসি নোংমতা মাগী মায়থোঙদা অশাওবগী মমি তাবা উদে। করিগীবুদি শাওবা হৈতনি। অদুবু মী তিন্নবা মতমদা অশাওবা হায়বদো য়াম্না হৈনা শিংনা লোৎপা হৈ। মোমোন-মোমোন নোক্তুনা ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শানৈ। দিসিপ্লিন য়াম্না লৈবা আর্টিষ্টশিংগী মনুংদা মহাকসু অমনি। আর্টকী মরমদা করিনোমা খন্নবদা ৱাখল থোকই। থবক অমা তৌবদা পুক্লিং চঙখোনবা অমদি থবক্তু লোইদ্রিফাওবা ৱাখল চোইথোক্তবী অমনি। মহাক্না আর্টপু পামজবগী ৱারী কয়া লীরম্মী। পামজবা হায়বসি অঙাওবনি। পামজবদু ফংনবা হোৎনবদা মহাক চোকথবা লৈখিদবা মীশক অমনি। এক্টিংগী লম্বীদগী হেন্দোক্তুনা, ঈশৈসি মহাক্না য়াম্না পামজে। য়াম্না হেক মমিং লৈনা ঈশৈ শকপা অমা ওইদ্রবসু, ঈশৈদি মহাক শক্লম্মী। লুহোংবা, নাহুৎ-নারেং অমদি অতৈ থৌরম কয়াগী নট সঙ্কীতন শক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরম্মী।

ধনমঞ্জুরি য়াম্না লায়রজে, মহাক্না মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা তাঞ্জবা শেনফম খরনা ইমুং পুজরম্বনি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা মহৈরোয় কয়া অমসু মাগী মনাক্তা লৈহল্লি। মখোয়বু মী অমমম ওইনবা শেম্বী। মানা হৈজবা খঙজবশিং মাগী মহৈরোয়শিংদা তাকপী-তম্বীদুনা লাকই। নোংমা ঐগীদা লাক্লগা মানা হায়রে, "তামো নহারোলশিংনা পামগদবা ঈশৈ ময়েক অমত্তা ইবীয়ু"। ঐনবু হংই, "করিগীনো"। "ঐগী মহৈরোয় অমগী ম্যুজিক ভিদিও এলবম অমত্তা নম্বীগে তৌবনি"। মহাক্তি মী য়াম্না শেম্মী। মীগী অৱাবসু য়াম্না খঙই, অদুনা লৈখিদ্রবা মানা অরৈবা পুথোক্তুনা চামিন্নবা অমদি মীগী ফনবা থৌরমশিং শিনবীবদা পাম্মুবা লৈতে। অচঙবা শেনফমগী থোইদোক্লা নাচুংদে। থোকঅবা অমা লাক্কনি হায়না মানা ঙম্নবা তৌবী। মসি মী খুদিংমক্তা হেক্তা লৈবা মতিক ময়াই নত্তে। তশেংনমক মহাক অসি মীনুংশি য়াম্না চাউই, মপুকচেল য়াম্না শেংই।

ধনমঞ্জুরিগী আর্টিষ্ট অমা ওইবগী খোঙচৎ অসি তশেংনা মায় পাক্লবা খোঙচৎ অমনি হায়দবা য়ারোই। মহাক লৈখিদ্রবা ওজা জি সী তোংব্রাগী সোসাইটি থিএটরদা য়াওদুনা মমিং লৈবা লীলা 'ঙাবোং খাও' অমদি অতৈ লীলা কয়াদা কুল্লম্মী। রুপমহল থিএটরদসু মতম খরা য়াওরম্মী। মহাক্কী লৈজবা টেলেন্ট হেক ফুদোক্তুনা মালেমদা মণিপুরী থিএটরবু মশক তাকপদা মহাক্কী থৌদাংসু উৎখিবীনি। Chorus Repertory Theatre দা য়াওদুনা লীলা কয়া কুল্লমখি। ওজা রতন থিয়ামগী মমিং লৈরবা প্লে 'উত্তরপ্রিয়াদর্শি' হায়বা মালেম শিনবা থুংনা ফাওখিবা প্লে অদুদা মহাক য়াওরকখি। মসিদা নত্তনা 'দি ব্লাইন্দ এজ', 'হনুবগী হৈকোল' নচিংবা প্লেদসু শরুক য়ারম্মী। মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা তাঙলবা থিএটর ফেষ্টিবেল কয়াদা শরুক য়ারমখি। ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা Festival of Perth, 1998, New Zealand International Festival of the Arts, 1998, New Zealand, Festival of Nations, 1998, Switzerland, 7th International Festival of Scenic Arts, 1998, Brazil, Indian Trade Fair Exhibition at Dhaka, 1999, Bangaladesh নচিংবা মালেমগী মফম কয়াদা প্লে উৎপদা য়াওরকখি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদদি মহাক্না চৎতবা লৈখিদ্রে হায়না হায়বা ফাওবা য়াই। Chorus Repertory Theatre দা চহী অহুম্মুক য়াওরমখি। অদুবু মহাক মশা অসি খরা শোনবনচিংবা কয়ানা মরম ওইদুনা তোকখিবনি। মহাক্না লীলা পুনমিন্নরম্বা আর্টিষ্ট অমনা ৱারী লীরকপদা কুম অমা ব্রাজিলদা লীলা উৎকদবা নুমিত্তা, মহাক মবুক লেংবা-থিনবা তৌরক্তুনা থরো-থরো ওন্দুনা খাঙখি। য়াওরকপা টেব্লেট অমা পীজরগা খজিক পোত্থারগা, মশিংখা পুথোক্তুনা লীলা কুমখিবগী ৱারী লৈখি।

শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা পোকখিবী ধনমঞ্জুরি মমৈথংদা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্দা য়াওরকখি। য়ুনিয়ন অসিগী লীলাদসু মহাক কুল্লকখি। মণিপুরদা ভিদিও ফিল্ম হায়বা অমা থোরকপা মতমদগীদি









মহাক ফিল্মলোমদা মায় ওনশিল্লকখিবনি। মহাক্কী অহানবা ভিদিও ফিল্মসি করিনো হায়বা চপ চাবা খঙদ্রবসু, কংলা ফিল্মসনা পুথোকখিবা 'ঈচেলসিদা' হায়বা অদুনা অহানবা ওইগনি হায়না পানৈ। সিগী মতুংদগী ধনমঞ্জুরি মমিং লৈরবা মণিপুরী ফিল্ম কয়াদা মায় পাক্লা কুম্বা হৌরকখি। চাউরাক্লা মহাক্না কুল্লমখিবা ফিল্মসি ১৫০গী মথক্তনি। মীয়াম্না মহাকপু ফিল্মগী এক্ট্রেস অমা ওইনা হেন্না মশক খঙনরকখি। থবাতোন ৱান, টু অমদি থ্রীদা মায় পাক্লা কুমখি। ফেসবুক, কবোকলৈ, হিংবগী মহাও, জাম মখোঙ, মায়ওন, চীংলেনসনা, থরো থম্বাল, ঈফুৎ, চনু আই পি এস, নিংঙোল চাক্কৌবা, লাইজ, থম্মোয়না থম্মোয়দনচিংবা ফিল্ম কয়াদা মরু ওইবা রোল কয়া লৌদুনা শরুক য়ারকখি। মহাক্কী অনাবা অসিগী লায়ওং চপ চানা খঙবা হৌরকপদা মহাক অসুক্কী মতিক থৱায় নুংঙাইতনা ঐখোয়দা ৱারী লীরম্মী। অদুবু মহাক্না হায়খিবা ৱাফম অমদি ঙসিসু নীংশিংদুনা লৈরি - মীওইবগী পুন্সি হায়বসি নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা লৈরবনি। অদুবু ঐঙোন্দা নারিবা লায়না অসিনা মরম ওইরগদি ঐহাক তশেংনা শিনীংদে। অদুবু তাইবঙ শেম্বা মপুনা করি হায়না তল্লমগদগে হায়বা অদুদি খঙদ্রে"। মহাক্কী ৱাহৈশিং অসি মতম চুপ্পগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্না কন্না নাবা হৌরকপা মতমদা য়াম্না তোয়না মপান্দা লায়েংবা চৎখি। ঈফুৎ হায়বা ফিল্ম অসি নল্লিঙৈ মতমদা মহাক মপান্দা লায়েংবা চৎকনি হায়না মতম লেপশিল্লকপদগী ঐখোয়গী শানগদবা পূম্নমক তোক্লগা মহাক্না চৎত্রিঙৈদা ফিল্ম নম্বা লোইহৌনবা হোৎনখি। মদুদা মহাক্না মমিৎতগী মপি তাদুনা ময়াম্না ঐগীদমক য়াম্না ৱাবিরে। ঐনা লমন শিংবা ঙল্লরোই হায়না হায়খিবদু করম্না কাউগনি।

ফিল্ম শুটিং তৌরিঙৈদা ঙাইহাক ব্রেক লৌবদা, ময়ামগী চা থক্লবদা কৈদৌনুংদা মহাক্না হান্না অমুক্তা থকখিদে। অহল-লমনশিংগী, ময়ামগী হায়না হান্না মহাক মশামক্লা য়েনবা য়াওখি। শুটিং চৎপদসু মহাক্কী বেগতা অচাপোৎ লৈরক্লগা পুরক্কনি, ময়ামদা পীজগনি। মসি মহাক্কী পেঞ্জবনি। অহল-লমনশিংদা অসুক্কী মতিক ইকায়খুম্নবা উৎপা, লোয়ননা মীপূম খুদিংবু মীনুংশি চেন্না য়েংবা হায়বসি মহাক্কী থাদোক্লদ্রবা মচৎ অমনি। অমরোমদা মহাক অসি নুপাগী লিংজেল চেল্লি। নীংখিবা খুদিং থবক ওইনা পাঙথোক্লবা অরৈবা থৌনা লৌশিং পুথোক্তুনা হোৎনজৈ। নুপী অশোনবী অমগুম্না তুকথরগা লৈগন্দে। লিংজেল অমা মঙোন্দা লোত্তুনা লৈরি। মহাক্কুম্বা অতাঙবা আর্টিষ্ট অমা খঙহৌদনা পুন্সি পিখম্নখিবা হায়বা অসি লমদমসিগী ওইনদি অচৌবা মাঙজবা অমনি। মহাক্কী থৱায় মীরেলনা মতম চুপ্পদা মহাক্না নীংজখিবা মপু মাগী মনাক্তা লেঙদনা ঈংনা-চিক্লা লৈজবা ওইরসনু।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৭।০২।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৬.২৭ ফাওবা ৱাকচিংগী ২৫নি পাল্লি, মতুং ২৬নি পানগনি।

মেষ : খাংবা কনবা অমদি থিজিনবা কনবনা থবক পাংবদা নত্তনা শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকচৌ হায়বা লৈ। অশিংবা শাবদি য়ারোই, নরলসু চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লান্না খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : নীংজবা থুংগদবা অমদি অনৌবা অশা লাক্তুনা মায় পাকপা উগদবা নুমিৎনি। থাজদনা মরুপ শাবনা তাথীবা অমদি মীৱা লৌবনা চিংনবা পোকপসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : অয়াম্বা লম্দা মায় পাক্কনি, মীচংসু হেনগৎকনি অমদি থৌনা ফুদোকপগী মহয়সু ফংজগনি। হকচাং নুংঙাইরে অমদি মরুপ মপাং লোয়নবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপলদি থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : খাংবা কনবা অমদি ৱাঙাঙ হৈবা মরু ওইবা নুমিৎনি। লোয়নবনা চোপহনবা য়াই। কিদবা অমদি থৌনা হন্দবনা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা ঙাঙবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমসি।

সিংহ : অচুম্বা অমদি নচা ননাই লোয়নবনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। নক্লবা মীনসু চানবী। পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি হুরানবনা থবক্তা য়েৎপা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মীতোপ থাজবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : অঙম অথৌনা চানবীগনি, লেংদবা লনসু চাওখৎকনি অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফংনবা হোৎনবা কান্নগনি। অদুবু অনম তানবগী কান্নবদি লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : পোরম য়াৎপা হৈগনি, অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইবা লৈ অমদি লাই-গুরুনা চানবী। অশাওবনা পোত্থাফম খঙদবা অমদি হন্থবনা য়েৎপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙথোকপদা তানিংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি ঈকাইবা নংবা য়াবদৈ কোকচবা লৈগনি। মরী মতা/নক্লবনা তেংবাঙবিগনি অমদি য়েৎনরম্বা কোকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু : চরাংনবনা চাদিং হেনগনি অমদি নথক থোংবনা নরলদা তাথীবা লৈগনি। নাপল থাদোকউ অমসি শকখঙদবা লোয়নগনু। মীয়াম্নদি লুনা চান্না তৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : মীচং লৈগনি, নীংবা মপা চাগনি অমদি মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। চিন কনবা অমদি অনম তানবদি তৌগনু-কোক শাদুনা তোক্কনি। ৱানোম্বা কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথনা লৈবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্ভ : হকচাং নুংঙাইবা খরা ৱাৎপা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাৎপা লৈরসু নীংবা থুংগনি, মীংচৎ ফংগনি অমদি থৌনা লিংজেল ফুদোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : থাজদনা কান্নবা ফংগনি, অফবা মফম ফংবৈ নুংঙাইবা লৈগনি অমদি হৈ-শিংনা ওইজবা তানবা ঙমগনি। মীয়াম লোয়নরগা হেন্না নুংঙাইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



অমেরিকদগী অফাওবা দোক্টর অমা ইন্দিয়া লাকই...
মহাক্না বস ষ্টেন্দ অমদা লাইরিক য়োনবা দুকান অমা থেংনৈ, দুকান অদুদগী লাইরিক অমা থাঙ্গৎলদুনা য়েংই। লাইরিক অদু হেক য়েংবগা নুপা অদু হার্ট এটেক্ট তৌই...।
লুপা ২০ পীবা লাইরিক অদুগী মমিং "শুপ্নগী নুমীৎ ৩০দা দোক্টর ওইবা য়াই" ....!!!

- - - - - - - - - - - - - - - -

লুহোংলবা নুপাশিং পাউচেদা য়াওবা রাশি ফল মশাগী ওইনা য়েংবগী মহুৎতা মাগী-মাগী নুপীগী ওইনা য়েংনৈ। মরমদি মাগী-মাগী নুপীগী রাশি ফল য়েংলগা অদুমক খঙবা ঙম্মি। মদুদি ঙসি-হয়েং করি থোক্কনি হায়বা ....!!!

- - - - - - - - - - - - - - - -

পেসেন্ট : দোক্টর, ঐ ইশাসে অরুবা লায়না অমনা নারে। চাকচারবা মতুংদা চাক লামদে, তুম্লবা মতুংদা তুম্মিংবা ফাওদ্রে অমদি থবক তৌবদসু য়াম্না ৱাই। করি তৌরগা অমদি করি-করম্বা হীদাক চারগা ফগদগে?
দোক্টর : ওকে, করিসু নুংঙাইতবা তৌগনু নুমীদাং চুপ্পা নুংশা য়াইরগা ফম্মু শোয়দনা ফগনি।

- - - - - - - - - - - - - - - -

ওজা : নখোয় খঙবরা নোংমা রজনিকান্ত হেলিকোপ্টর অমদা স্বিটজরলেন্দ চৎলি মদুদা মহাক্কী পর্স তাখি।
মহৈরোয় : অদুগা কৈদৌরবা ওজা?
ওজা : মহাক্কী পর্স তাখিবা মফম অদু ঙসি স্বিজ বেঙ্ককী মিংদা মালেমনা খঙনরিবা অসিনি...!

- - - - - - - - - - - - - - - -

অঙাওবা : ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা ট্রেননা তকখি।
অনীশুবা অঙাওবা : অদুদা নঙ শিবরা নৎত্রগা হিংহৌবরা?
অঙাওবা : ঐ তশেংনা খঙহৌদ্রে মতম অদুদা ঐ য়াম্না অঙাং ওইরি।

- - - - - - - - - - - - - - - -

দুকান মপু : ইবেম্মা নঙ নুমীৎ খুদিংগী দুকান অসিদা লাক্লগা সনা-লুপাশিং অসি অদুমক য়েংলগা চৎখি। লৈবদি শুকলৈ লৈদে করিগীনো?
নুপী : ঐদি নুমীৎ খুদিংগী অদুম লৌরগা চৎলি, নঙনা উদবগী ৱানি...!

- - - - - - - - - - - - - - - -

নুপী অনী ৱারী শান্নরম্মী...
হন্দক মরকসে নোয়বা য়াম্না হেনগৎলে অদুনা য়ূমদগী মপান থোক্তুনা হোটেল, রেষ্টুরেন্ট অমদি মপান্দা য়োনবা পোৎচৈ অমত্তা চাদ্রে। পেক তৌরগা পুরক্লগা য়ূমদা ওইনা চারে ....!

- - - - - - - - - - - - - - - -

ওজা : মীওইবা হায়বসি মতম পূম্নমক্তা অতোপ্পা মীওইশিংগী মতেং পাংগদবনি, মদুবু কৌই অশেংবা অফবা মী হায়বদু।
মহৈরোয় : অদুবু ওজা নঙদি এগজামগী মতমদা কনা অমত্তগী মতেং পাংদে অদুগা অতোপ্পা মীওইশিংদসু মতেং পাংহন্দে...।

- - - - - - - - - - - - - - - -

লোয়নবি : নঙগী মঙদা নোংমা ফাওবা ঐসে উদবরা?
মপুরোইবা : ঐ অকিবা মঙ উবা কি...।

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: Peacock
By: Maibam Bidyashagar
Class: III Sec: B Roll No. 86
School: Trinity Public School




Title: Mothers' Bosom
By: Ngasepam Manshita Devi
Class: IV Sec: B Roll No. 63
School: Nirmalabas High School




Title: Chhota Bheem
By: Korounganba Meitei
Class: IV Sec: Roll No. 23
School: Trinity Public School



Title: Tea
By: Ingudam Paikhomba Meetei
Class: VIII Sec: Roll No.
School: St. Joseph's Hr. Sec. School



Title: A Lady
By: Neroda Huidrom
Class: V Sec: Greem Roll No.
School: Khuman Maheikol




Title: Orange
By: Ingudam Lanthoiba Meetei
Class: K.G Sec: Roll No.
School: Nirmala House



Title: Mother and Child
By: Ngasepam Krishnan Singh
Class: K.G Sec: Roll No. 1
School: Alpha & Omega School



Title: The Boy do first aid for dog
By: Delina Yumnam
Class: 7 Sec: B Roll No. 4
School: The Comprehensive School, Oinam





Title: Ghidorah
By: Chetan Angom
Class: V Sec: A Roll No. 26
School: Sacred Heart Hr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।